কুমজা ১৯৮৬তা পাঙথোকখিবা ১০শুবা সিওল এসিয়ন গেমসকী ইন্দিয়াগী হোকি টিমদা নিলকোমোল, থোইবা, টিকেন য়াওখি

রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

হঙ্গৎনা য়েংলুবদা এসিয়ন গেমস

কুমজা ১৯৬৬ তা পাঙথোকখিবা বেঙ্কোক এসিয়ন গেমসতা ইন্দিয়াগী হোকি টিম্না সনাগী মেদল অহানবা ওইনা লৌবা ঙম্লকখি। মসিগী মমাংদদি পাকিস্তানন্না অদুমক ৱিন্নর ওইদুনা লাকখি। মঙারকশুবা এসিয়ন গেমস (১৯৬৬) অদুগী হোকি টিমগী কেপ্টেন সর্ভিসেসকী শঙ্কর লক্ষ্মন্না ওইখি। অতৈ প্লেয়রশিংনা মথংশিংনা গুরুবক্স সিংহ (বেঙ্গোল), পথিপাল সিংহ (পঞ্জাব), ধরম সিংহ (পঞ্জাব), মোহিন্দর লাল (রেলৱেজ), বলবীর সিংহ (সর্ভিসেস), জগজিট সিংহ (পঞ্জাব), এ এল ফ্রেঙ্ক (রেলৱেজ), ভি জে পীটর (সর্ভিসেস), হরভিন্দর সিংহ (রেলৱেজ) হরিপাল কৌশিক (সর্ভিসেস), বলবীর সিংহ (পঞ্জাব), ইন্দর সিংহ (রেলৱেজ), টরশেম সিংহ (পঞ্জাব), হরমিক সিংহ (পঞ্জাব), বল বীর সিংহ (রেলৱেজ), জগদিব সিংহ (পঞ্জাব), এন তোপ্পো (সর্ভিসেস) নি। হায়রিবা টিম অসিগী কোচনা আর এস জেন্টল (বোম্বে), মেনেজরনা আই এম মহাজননি।

এসিয়ন গেমসকী পুৱারীদা ইন্দিয়ানা অহানবা ওইনা সনাগী মেদল লৌবা ঙমখিবা চহীদুগী ফর্স্ট মেচতা ইন্দিয়ানা মালেশিয়াবু ১-০ দা থোইখি। সেকেণ্ড মেচতনা সিলোনবু ৩-০ দা অদুগা থর্দ মেচতনা কোরিয়াবু ১-০ দা থোইরগা সেমি ফাইনেল য়ৌরকখি। সেমি ফাইনেলদনা জপানবু ৩-০ দা মায়থিবা পীরল্লগা ফাইনেল কারকখি। অসুম্না ফাইনেলদা পাকিস্তানগা শান্নখি। মদুদা ইন্দিয়ানা ১-০ দা থোইরগা ৱিন্নর ওইখি।

মসিগী মখা তারকপা ১৯৭০ গী বেঙ্কোক এসিয়ন গেমসতদি ইন্দিয়াগীহোকি টিম ৱিন্নর ওইবা ঙমখিদে। পাকিস্তান্না ফাইনেলদা ১-০ দা মায়থিবা পীরমখি। ১৯৭৪ দা টেহরানদা পাঙথোকখিবা তরেৎলকশুবা এসিয়ন গেমসতসু ইন্দিয়ন হোকি টিম ফাইনেল পাকিস্তানগী মখুৎতা ২-০ দা পোদুনা রন্নর্স-অপ তারগা লৈহৌখি। মথং ১৯৭৮ গী বেঙ্কোক এসিয়ন গেমস অদুদসু ফাইনেলদা পাকিস্তান্না ১-০ দা থোইখি। ফাইনেল য়ৌবা ঙম্লবসু, ৱিন্নর ওইবদি পাক ঙম্লকখিদে। ইন্দিয়ানা হোষ্ট ওইদুনা ১৯৮২ দা পাঙথোকখিবা এসিয়ন গেমস অদুদসু ইন্দিয়াগী হোকি টিম ফাইনেলদা পাকিস্তানগী মখুৎতা ৭-১ দা মায়থিরগা রন্নর্স অপ তাহৌখি। ১৯৮২ গী "নাইন এসিয়ন গেমস" কী ইন্দিয়াগী হোকি টিমদা য়াওখিবা শান্নরোয়শিংদি, জাফর ইকবাল (কেপ্টেন), এম আর নেগী, রোমিও জেমস, ভিনিট কুমার, মোনোহর টোপ্পো, রাজিণ্ডর সিংহ (সিনিয়র), গুরমেল সিংহ, এম সোমায়া, রাজিণ্ডর সিংহ (জুনিয়র), চরনজিৎ কুমার, সর্ভেন ফর্নান্দেজ, জগদিপ সিংহ, মহমদ সহিদ, জে কারভালহো, সহিদ অলি, এম গোমসনি। ইন্দিয়ন টিম অদুগী মেনেজরনা বলবীর সিংহ, অদুগা কোচনা বলবীর সিংহ (সর্ভিসেস) না ওইখি। গেমস অদুগী অহানবা মেচতা ইন্দিয়ানা মালেসিয়াবু ৫-১ দা থোইখি। অনীশুবা মেচতা ইন্দিয়ানা ওমানবু ১০-০ দা মায়থিবা পীখি। অহুমশবা মেচ ওইনা বঙ্গলাদেশকা শান্নখিবদনা ১২-০ দা থোইখি। অদুগা সেমি ফাইনেলদনা ইন্দিয়ানা জপানবু ৭-০ দা মায়থিবা পীখি। অদুবু ফাইনেলদদি পাকিস্তান্না ইন্দিয়াবু ৭-১ দা থোইরগা ৱিন্নর লৌখি।

অদুগা, মণিপুরী মচা অহুম নিলকোমোল, থোইবা, টিকেন য়াওদনা শান্নখিবা "১০ শুবা সিওল এসিয়ন গেমস" কী অহানবা মেচতা ইন্দিয়াগা সাউথ কোরিয়াগা ১-১ দা দ্রো চৎখি। মথংগী মেচতসু ইন্দিয়ানা জপানবু ৩-১ দা থোইখি। থর্দ মেচ ওইনা থাইলেন্দগা শান্নখিবদসু ইন্দিয়ানা ১১-০ দা মায়থিবা পীখি। হোং-কোঙগা শান্নখিবদসু ১০-০ দা থোইখি। অদুবু সেমি ফাইনেলদা পাকিস্তানগা শান্নবদদি ৩-১ দা মায়থিখি। ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদে। চহীসিদা ইন্দিয়াগী হোকি টিম অহুমশুবা রেঙ্কতা হায়থরকখি। তোঙান তোঙানবা এসিয়াগী লৈবাক মাপলনা শরুক য়াখিবা গেমস অদুদা থর্দ রেঙ্কতা সাউথ কোরিয়া, সেকেণ্ডদা পাকিস্তান, থর্দদা ইন্দিয়া, ফোর্থতা মালেসিয়া, ফিফতা জপান, মথংদা হোং-কোঙ, বঙ্গলাদেশ, ওমান, থাইলেন্দ লৈখি।

১৯৯০ দা বৈজিংদা পাঙথোকখিবা "১১শুবা এসিয়ন গেমস" তদি মণিপুরদগী ক্ষেত্রিময়ুম থোইবা মতোমতমক য়াওখি। চহীদুগী ইন্দিয়া টিমদা য়াওখিবা শান্নরোয়শিংদি, পরগট সিংহ (কেপ্টেন), মার্ক পেট্রশন, এ বি সুভাইয়া, জগদেব সিংহ, হরিণ্ডর সিংহ, মহমদ অৱিক, বিভেক সিংহ, শকিল অহমদ, জোন ফর্নান্দেজ, আর পী সিংহ, জগবীর সিংহ, ধনরাজ পিল্লাই, গ্রনদিপ কুমার, ক্ষেত্রিময়ুম থোইবা সিংহ, জুদে ফেলিক্স অমসুং দেররিল দি সৌজানি। মেনেজরনা গ্রফ্রান-ই -অজাম, কোচনা ঝামল লাল শর্ম্মা, এসিষ্টেন্ট কোচনা ইনামুর রেহমন্না ওইখি। রাউণ্ড রোবিন বেসিসতা শান্নখিবা গেমস অদুগী অহানবা মেচতা ইন্দিয়ানা মালেসিয়াবু ১-০ দা থোইখি। অনীশুবা মেচতসু ইন্দিয়ানা সাউথ কোরিয়াবু ২-০ দা মায়থিবা পীখি। অহুমশুবা মেচতসু ইন্দিয়ানা চিনাবু ৪-০ দা থোইখি। মথং জপানগা শান্নখিবদসু ৩-০ দা মায়থিবা পীখি। মঙাশুবা মেচ ওইনা হোং-কোঙগা থেঙনখিবদসু ১০-০ দা থোইখি। অরোয়বা ওইনা পাকিস্তানগা শান্নবদদি ইন্দিয়া টিম ২-৩ দা মায়থিদুনা পাকিস্তান্না ৱিন্নর ওইরগা ইন্দিয়ানা রন্নর্স অপ তাখি। অসুম্না এসিয়ন গেমসতা ইন্দিয়াগী হোকি টিম অয়াম্বা মতমদা অনীশুবা থাক্তা লৈরকখি।

মথং-মথং

হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৭৪

১। মহাক অফাওবা ফুটবোল শান্নরোয়নি, মহাক্কী লৈবাক্লা ৱর্ল্ড কপ চেম্পিয়ন ওইবা মতমদা মহাকসু শরুক য়াখি। মহাকপু মহাক্কী ক্লবকী শান্নরোয়শিংনা Gasolina হায়নসু খঙনৈ। মহাক কনানো?

২। মহাক নুপীনি, মহাক্কী মপা দাক্তরনি, মহাক্লা ৱিন্টর ওলেম্পিক্তা সনাগী মেদল ফংলবা মতুংদা হভার্দ মেদিকেল স্কুলদা তমদুনা দোক্তর ওইখি। ৱিন্টর ওলেম্পিক চেম্পিয়ন অমনা দোক্তর ওইবা অসি অতাওবনি, মহাক্কী মমিং হায়য়ু?

৩। মহাক অমেরিকাগী অফাওবা এথলেটনি। ওলেম্পিক চেম্পিয়ননি। লৈবাক অদুগী অচৌবা লানগী জহাজ অমা মহাক্কী মমীং থোনখি। মহাক্কী মমিং করি কৌবগে?

৪। মহাক ওলেম্পিক্কী মেদলসু ফংখি, ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল পাঙথোক্কদবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা মহাকপু মেনেজরনা তাম্থোকখি। মহাক মতুংদা মহাক্কী লৈবাক্কী ফুটবোল টিমদা য়াওখিদ্রে। মহাক কনানো?

৫। পীরিবা শক্তম অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

ব্রাইটর ক্লব মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস)ঃ

ব্রাইটর ক্লব অৱাং পোৎশংবম খুল্লেন্না শীন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা ১৩ শুবা ষ্টেট লেবেল ১১ মেনস ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শন্নখিবা মেচশিংদা ব্রাইটর ক্লব অৱাং পোৎশংবম খুল্লেন মায় পাকখ্রে অদুগা কোইরেঙ্গৈ এপ সী ৱাক ওভর ফঙখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ২০ না শরুক য়াদুনা গ্রুপ মরি থোক্লা খায়দোক্তুনা পাঙথোকপা ১৩ শুবা ষ্টেট লেবেল ১১ মেনস ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ২৮ শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা কোইরেঙ্গৈ এফ সী অমসুং এম এল ৱাই এল সী ময়াংলাংজিং শান্নগদবা মেচ অদু এম এল ৱাই এল সী লাক্তবদগী কোইরেঙ্গৈ এফ সীনা ৱাক ওভর ফঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ২৯ শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা ব্রাইটর ক্লব অৱাং পোৎশংবম খুল্লেন অমসুং ১৪ এফ সী তেনদোংয়ান শান্নখি। মেচ অদু ব্রাইটর ক্লবনা ১৪ এফ সীবু লাকচনা শান্নখিবগা লোয়ননা মেচ অদু লোয়শিল্লকপদা ব্রাইটর ক্লবনা ১৪ এফ সীবু ৯-১ দা মায়থিবা পীখি।

গ্রাসরুট ফুটবোল কোচিং হৌরগনি

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস)ঃ

অশেংবা ইমাগী পারি ইমোম ফুটবোল ক্লব (এ আই পি আই এফ সি)না শীন্দুনা লাক্লিবা থা অসিগী ২১দগী হৌদুনা চহী ১৩ মখাগী গ্রাসরুট ফুটবোল কোচিং পাঙথোক্লগনি। কোচিং প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়ানিংবা শান্নরোয়শিংনা অকুপ্পা মরোল নেসনেল গেম ভিলেজ, জোন টু বি-১৮১ দা লৈবা ইন্টর্নেসনেল ফুটবোল প্লেয়র মোইরাংথেম জয়ানন্দগী কার্টরদগী খঙলবা য়াগনি হায়না ক্লব অসিগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

ত্বিনস এফ সী অমসুং ৭ টাইগর সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস)ঃ

করাম অৱাং লৈকায় য়ুথ ক্লব (কে এ এল ৱাই সী) না শীন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা অহানবা ষ্টেট লেবেল ইবুধৌ নোংশাবা ৭ এ সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা মায় পাক্তুনা ত্বিনস এফ সী করাম অমসুং ৭ তাইগর খুরাই সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা অহানবা গ্রাউন্দদা ত্বিন্স এফ সী করাম অমসুং লনচেনবী এফ সী তাওবুংখোক শান্নখি। অহানবা হাফকী ২০ শুবা মিনিটর ত্বিন্স এফ সীগী জর্সি নম্বর ৪ সনাতোম্বনা চনখিবা গোল অদুনা মেচ অদু লোয়শিল্লকপদা ত্বিন্স এফ সী করামনা লনচেনবী এফ সী তাওবুংখোকপু গোল ১-০ দা মায়থিবা পীরল্লগা সেমি ফাইনেল চঙখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ৭ তাইগর অমসুং ঐচ এন এস সী শান্নখিবা মেচ অদু ৭ তাইগরনা ঐচ এন এস সীবু গোল ৯-৮ দা মায়থিবা পীরল্লগা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখিবা অনীশুবা টিম ওইখি।

মণিপুরদগী শান্নরোয় অমসুং ওফিসিয়ল ৪ খল্লক্লে

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস)ঃ

জুলাই ১৪দগী ২২ ফাওবা ইন্দোনেসিয়াগী সিটি বিনাত্রোদা পাঙথোক্কদৌরিবা পেনবাংগুনান জয় রাজা বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ারুনবা মণিপুরদগী শান্নরোয় অমসুং ওফিসিয়ল ৪ খল্লক্লে হায়না মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিএনসগী মায়কৈদগী প্রেসতা ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিদা পুন্না শান্নরোয় ২২ অমসুং ওফিসিয়ল ১১ য়াওরি। ওফিসিয়ল ৬না কোচনি, সপোর্ট ষ্টাফ ৪ অমসুং মেনেজর অমনি। মণিপুরদগী নুপাগী চহী ১৯ মখাগী দবলসতা চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয় অনী অদুদিঃ কে ঐচ মঞ্জিৎ অমসুং কে গিঙ্খুনি। কোচ ওইনা এল রিঙ্কি অমসুং ইন্দিয়া টিমগী মেনেজর ওইনবা মণিপুরগী ঐচ সঞ্জিভ শর্ম্ম খল্লকপনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

শান্নরোয়শিং অমদি ওফিসিয়লশিং হৌজিক হৌজিক বেঙ্গালুরুদা লৈবা প্রকাশ পদুকোন বেদমিন্টন একাদমীদা ত্রেনিং চথরি। ইন্দিয়াগী টিম থা অসিগী ১১দা ইন্দোনেসিয়াগীদমক ইন্দিয়া থাদোক্কদৌরি। মেনেজর ওইনবা ঐচ সঞ্জিভ শর্ম্ম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে হায়রি।

HL-B/4720/24/6-21/08 (alt.)

LOAN AVAILABLE
NO GUARANTOR
AREA COVER: MANIPUR STATE
TATA SUPER ACE-MINT DELIVER WITHIN 2 DAYS
> EMPLOYMENT NEWS:- MECHANIC-2/W(20-30yrs) Rs.8,000-Rs.15,000/- & SECURITY-GUNMAN(20-30yrs) Rs.6,000-Rs.Rs.17,000/-
> PENSION LOAN (1.5%,2%,2.5% & 3%) P/M
> BUSINESS LOAN (12%)P/A
L.G. MOTORS FINANCE
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,H.Q
OFFICE HOUR: 10.00AM TO 4.00PM
CONTACT No.:- 9774495994/8731978490
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING,IMPHAL WEST,MANIPUR
BRANCHES:- SEKMAI KOUJENGLEIMA,SAMUROU NEAR MACHU HALL,KAKCHING IRUM LAMDONG, THOUBAL OKRAM, NAMBOL PHOIJING LAMBAN,MOIRANG PATLOU.

/NOTICE

অসিনা মরম ওইদুনা নম্বোল মাইবম টু ইম্ফাল এন্দ খোরিগী ওটো দ্রাইভর অমদি ওনরশিংগী মফমদা করিগুম্বা খরা এক্সন কম্মিটি ওটো দ্রাইভর য়ুনিয়ন নম্বোল টু ইম্ফালগী মায়কৈদগী খঙহঞ্জরি মদুদি হৌখিবা তাং ১০/০৬/২০১৮দগী পার্মিট এন্দ আর সী বুক কলেক্সন তৌজবা অদু লাক্লিবা তাং ১৩/০৭/২০১৮দা লোইজরগনি। মসিগী মতুংদা পীশিল্লকপা পার্মিট এন্দ আর সী বুকনচিংবা Acept অমত্তা ACADUNI না লৌজরোই।

Sd/- L. Basanta Singh
Secretary, Action Committee Auto Driver's Union,
Nambol to Imphal (Maibam & Khori)
HL-P/4080/10

URGENT REQUIRE
Regd. No. IW (UPH0194/C1) of 2017, Govt. of Manipur

Sl. No.	Name of Post	No. of Post	Qualification	Salary
1.	Urgent Imphal post vacancy – First come first chance			
	i. Writing copy at Home (housewife/student)	50	VIII/X/XII	Rs. 350 per copy
	ii. Sweeper (Man & Women of Hospital)	40	VIII/X/XII/G	5000-15000
	iii. Office Front Reception/Attendant	20	VIII/X/XII	4000-15000
	iv. Company Driver (Light vehicle)	20	VIII/X/XII	5000-10000
	v. VIP Driver (Light vehicle)	10	VIII/X/XII	5000-10000
	vi. Ex-Serviceman Guard/VIP Gunman	20	VIII/X/XII	8000-20000
	vii. Man Guard/Ladies Guard	30	X/XII/G	5500-10000
	viii. Micro RO/BDO/MO/PRO	20	VIII/X/XII	5000-20000
	ix. Home Delivery Staff/Sales Executive	50	VIII/X/XII	5000-10000
2.	Direct selection & joint for Airport post vacancy - 100% guide and success - 50% S.T. reserved – Semi Govt. work			
	i. Cargo Loader	40	VIII/X	10700-70000
	ii. Asst. Cargo Officer/Cargo Supervisor	30	X/XII	15000-80000
	iii. Jr.Retail CSA/VIP Lounge Staff CSA	20	X/XII/G	15000-90000
	iv. Ground Staff (CSA/CSE/GSR/CSR)	40	G/M	16000-1 Lac
	v. Airport Driver (Heavy/Light)	30	VIII/X/XII	13000-80000
	vi. Ladies Bhagi Operator (Light)	40	X/XII	15000-80000
	vii. Air Hostess/Cabin Crew	10	G/M	5000-3 Lac
3.	No Donation & No Deposit Work at Imphal – First come first chance			
	i. Area Counselling Manager/Marketing Manager	40	VIII/X/XII	8000-20000
	ii. Part-time job (not less than 25 years and PAN CARD compulsory (Financial Advisor)	50	X/XII/G	Negotiable
	iii. Data Entry	10	X/XII/G	6000-10000

Last Date of Submission : 25-07-2018
Date of Interview : 26-07-2018
Office Hour 10:00 a.m to 04.00 p.m

Pliz Contact:
Kanglei Guidance Centre
Uripok Over Bridge Makhong Near Cosmo Dental Clinic
☎: 9077766104 / 8575764834 / 8794951292
HL-P/4039/2,4,8,10,12,14,17-25

SARASWATI COACHING INSTITUTE
Chingmeirong Khongnang Karak, Imphal
ADMISSION OPEN
CLASS XI Science FOUNDATION COURSE
Starting of Class : 16th July, 2018
MEDICAL REGULAR COURSE (NEET UG) -2019
Starting of Class : 25th July, 2018
Special feature
1. Supply of study material from Delhi.
2. Weekly test strictly in NEET pattern.
3. Free studentship secured mark for (80% and above).
4. Hurry limited seat only.
Managing Director
We nourish your future
HL-B/4722/28,30,&26July(Alt.)

EDUCITY TUTORIALS
SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIKAI & NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER
Limited Seats!
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE FOR SESSION 2018
Timing:
5:00 am to 7:00 pm
4:30 pm to 7:30 pm
Contact: 9612194500 | 8731977228
CLASS - I TO X, CLASS - XI & XII (SCIENCE) (Both CBSE & BOSEM)
- PRINTED STUDY MATERIALS FOR EACH STUDENTS
- PROBABLE SUGGESTIONS
- SPECIAL TEST SERIES
- COUNCELLING WITH PARENTS & STUDENTS
- WELL EXPERIENCE FACULTY MEMBERS
- HOSTEL FOR BOTH BOYS & GIRLS

FEE STRUCTURE:
CLASS I TO V (Rs. 800/- Month)
CLASS VI TO VIII (Rs. 1000/- Month)
CLASS IX & X (Rs. 2000/- Month)
CLASS XI & XII Sc. (Course Fee: 4 Months Rs. 14,500/-)
CLASSES STARTING FROM 12TH & 20TH JUNE, 2018

OUR FACULTIES FOR XI & XII SCIENCE:

FACULTIES FOR CLASS I TO X:
1. Madam Romita Devi (5 Yrs Experience in Teaching)
2. Miss Premika (5 Yrs Experience in Teaching)
3. Miss Yaipharembi (5 Yrs Experience in Teaching)
4. Miss Sonia (5 Yrs Experience in Teaching)
5. Miss Preety (3 Yrs Experience in Teaching)
6. Miss Melody (3 Yrs Experience in Teaching)
7. Miss Esther (3 Yrs Experience in Teaching)
8. Miss Namdy (3 Yrs Experience in Teaching)
9. Miss Nirmala (3 Yrs Experience in Teaching)
10. Miss Mrituniay (3 Yrs Experience in Teaching)

1. Sir Subhaschandra (5 Yrs Experience in Teaching)
2. Sir Wenliam (5 Yrs Experience in Teaching)
3. Sir Apol (5 Yrs Experience in Teaching)
4. Sir Chetan (5 Yrs Experience in Teaching)
5. Sir Boeje (5 Yrs Experience in Teaching)
HL-P/3359/15/6-15/7

STUDY MBBS/MD
IN ABROAD
BANGLADESH, CHINA, KAZAKHSTAN
KRYGYSTAN, PHILIPPINES, GEORGIA
SOUTH AMERICA, UKRAINE, RUSSIA
(PACKAGE STARTS FROM 12 LAC)
Eligibility : 2018 NEET Qualified Candidate Only
ADMISSION OPEN
REGULAR MEDICAL COURSE FOR NEET-2019
(Available Library Facility with Reading Room After Class Hour)
Class starts from 11th July 2018
Free seats for 450 above in NEET Exam. 2018 & PCB 80%
A.S. Education Trust Minuthong, Hatta Tellipati, Imphal
Special Coaching Classes for ANATOMY, PHYSIOLOGY, BIOCHEMISTRY, CHINESE AND BENGALI WILL START FROM 1ST JULY 2018.
PLZ Contact : Atawar Rahman, A.S. Education Trust
(JR INTERNATIONAL CONSULTANT)
Khergao Thambalkhong, Near Old Cambridge School,
Imphal East, Manipur
BRANCH OFFICE :
A.S. Education Trust
Minuthong, Hatta Tellipati, Imphal
Contact No. : 8974084294, 9615706900,8415930785,8794249895
HL-B/4732/7/7-5/8



ব্রারী অমসুং খুয়েক - সমসন সলাম



হুৎতোক্লবা ফক্লাংদুদা ইরাবৎনা লিৎতুনা শান্নরম্মী।

য়ুম্বুশিংদুনা হল্লকপদা ইরাবৎকী মতৌদু ঙক্লা য়েংদুনা লৈখিরম্মী।

মাগী অচম্বা মতৌদুদা য়ুম্বুশিংদু মমিৎতা মপী তাদুনা কপখিরম্মী।